# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Monday, January 18, 2021, Imphal






শান্নরোয়শিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপগী খোঙথাং অমদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী নৌনা শাগদবা অমদি শেমগৎকদবশিং অদুগী মমিং শান্নরোয়শিংগী ওইহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু

ফ্রান্সকী ওবেরিদা পাঙথোকখিবা ইন্দোর এথলেটিক কম্পিটিসনগী নুপাগী ট্রিপল জম্প ইভেন্টতা মিটর ১৮.০৭ চোংদুনা অনৌবা ইন্দোরগী রেকোর্দ থন্বা ঙমখ্রবা বুর্কিনো ফাসোগী এথলিট হ্যুজ ফেব্রিস জাঙ্গো



## স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমসুং দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা নুপী অমসুং নুপাগী টাইটল লৌখ্রে

বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ১৭(এজেন্সী): স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমসুং দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা বেঙ্কোকতা পাঙথোকপা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ ওইখিবী কেরোলিনা মারিননা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই ঙরাং সেমীফাইনেলদা য়িংনা দেনমার্ককী ব্লিজফেল্ডটপু থোইখি। অদুগা মারিননা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংবু মায়থীবা পীখি।





*থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী চেম্পিয়ন মারিন (ওই) অমসুং নুপাগী চেম্পিয়ন এজেলসেন*

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম মারিননা য়াম্না ফজবা হেন্দুনা য়িংবু পোইন্ট ২১-৯দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা গেম অদুদা টাই জু য়িংগী মায়কৈদগী মেনখৎননবা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা অদু মহাক্কী পোইন্ট ১৬ শুরকপদা মারিননা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবনা মরম ওইদুনা মেটচ অদু মায়থীবা নংখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মরিশুবা সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা হোং কোংগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা লোং এঙ্গসপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা থোইবা ঙমখি। ঙরাংগী সেমীফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি গিনটিংবু গেম ২-১দা থোইরমখি। লোয়ননা চপ মান্নবা মওংদা হোং কোংগী লোং এঙ্গসনা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়েন সেনবু গেম ২-১দা মায়থীবা পীরমখি। ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেমদগী হৌরগা লোং এঙ্গসপু ভিক্টর এজেলসেননা খূদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। অহানবা গেম অদু ২১-১৪দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম অদুসু চপ মান্নবা স্কোরদা ২১-১৪দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু এজেলসেননা লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসতা চাইনিজ টাইপৈগী প্যের অমদি মালেসিয়াগী প্যেরনা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং গেম ২-১দা চাইনিজ টাইপৈগী প্যের অদুনা থোইখি। অহানবা গেম চাইনিজ টাইপৈগী লি য়াং অমদি ৱাং সী লিননা মালেসিয়াগী গো সেম অমসুং টান ৱি কিয়োংবু ২১-১৬তা থোইরগা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা গেমদা নাকল অনীগী লম্বা য়াম্না মান্নখিবা মরম্না অমনা অমদগী পোইন্ট চাওনা মাঙজিল থাবা ঙমদনা লাকখি।

পোইন্ট ২১-২১ ফাওবা মান্নদুনা লাক্লবা মতুং মালেসিয়াগী প্যের অদুনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌদুনা ২৩-২১দা থোইরগা দিসাইদিং গেমগীদমক শেম শানখি। মদুদা চাইনিজ টাইপৈগী প্যের অদুনা ২১-১৯দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমসুং অপ্রিয়ানি রাহায়ুনা থাইলেন্দগী প্যের রাওলিন্দা প্রজোংজাই অমদি জোংকোলফানবু ২১-১৫, ২১-১২দা থোইদুনা নুপীগী দবলস চেম্পিয়ন ওইখি। মিক্স দবলসকীদা থাইলেন্দগী সাবত্রি অমসুং দেচাকোলনা ইন্দোনেসিয়াগী প্রভিন অমদি মেলাটি মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌখি।

## গোৱানা রাজস্থানবু রন ৩৭তা মায়থীবা পীখ্রে, অন্ধ্র প্রদেশনা কেরলাবু ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখ্রে

ইন্দোর, জন্যুৱারী ১৭(এজেন্সী): সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা এলিট গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা গোৱানা রাজস্থানবু রন ৩৭তা থোইখ্রে। অদুগা এলিট গ্রুপ ঈগী অতোপ্পা মেটচ অমদা অন্ধ্র প্রদেশনা কেরলাবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ইন্দোর সিটিদা লৈবা হোলকার ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অদুগী টোস গোৱানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। গোৱাগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১৫৪ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপনর একনাথ কর্করনা বোল ৩২দা সিক্স ১, ফোর ৩ য়েরম্বা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন ফিয়াস প্রভুদেসাইনা বোল ২৩দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়েরগা রন ৩৫ লৌরম্বা অদু শীংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। লোয়ননা অতোপ্পা ওপনর অদিত্য কৌশিককী রন ১৯, কেপ্টেন অমিট বর্মাগী রন ২২ অমসুং ৭শুবা বেটসমেন দর্শন মিশালগী রন ১৫ পনবা য়াই।

রজস্থানগী মায়কৈদগী রবি বিস্নোইনা ৱিকেট ৩, অনিকেট চৌধরিনা ৱিকেট ২ অমসুং খালিল অহমদনা গোৱাগী ৱিকেট ১ আউট তাহনবা ঙমখি।



*আউট ওইদনা রন ৩৮ লৌরগা কেরলাবু মায়থীবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কেপ্টেন রায়ুদু (য়েৎ)*

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রজস্থাননা রন ১৫৫ লৌগদবা অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ১৯গা বোল ৩ শান্নরকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইদুনা রন ১১৭খক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয় গোৱাগী মখূৎতা রন ৩৭তা মায়থীবা নংখিবনি।

রাজস্থানগী মায়কৈদগী কেপ্টেন অশোক মেনারিয়ানা রন ২৪ লৌবা ঙমখিবা অদু খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ওপনর অনকিট লম্বাগী রন ২১, মহাক্কী পার্টনর ভারত শর্মাগী রন ১৪ অমসুং ৬শুবা বেটসমেন মহিপাল লোমোরগী রন ১৪ পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

মুম্বাইগী বন্দ্রা কুর্লা কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফিগী এলিট গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা কেরলাবু অন্ধ্র প্রদেশনা ৱিকেট ৬তা থোইখি। মেটচ অদুগী টোস অন্ধ্রনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা কেরলাগী মায়কৈদগী মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১১২ খক লৌখি। কেরলাগী ইন্নিংস অদুদা মরিশুবা বেটসমেন সচিন বেবিনা আউট ওইদনা রন ৫১ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। ওপনর মহমদ অজারুদ্দিননা রন ১২ অমদি ৬শুবা বেটসমেন জলাল শক্সেনানা রন ২৭ লৌরম্বা অদু পনবা য়াই।

মায় পাক্লবা রন ১১৩গী টার্গেট অদু অন্ধ্র প্রদেশনা ১৭শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৪খক আউট ওইরগা য়ৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬তা থোইখি। ওপনর অশ্বিন হেবরনা রন ৪৮ অমদি আউট ওইদনা লৈখিবা ৫শুবা বেটসমেন প্রসান্ত কুমারনা রন ৩৮ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। কেপ্টেন রায়ুদুসু আউট ওইদনা রন ৩৮ লৌখি।

## বেয়র্ন ম্যুনিকনা ফ্রৈবর্গ ২-১দা থোইদুনা মখা তানা মাঙজিল থারি

বর্লিন, জন্যুৱারী ১৭(এজেন্সী): চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল হোল্ডর অমদি বুন্দেসলিগাগী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ঙসি শান্নখিবা বুন্দেসলিগাগী ১৬শুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রৈবর্গপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙম্লি।

মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিকনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ অলিয়াঞ্জ এরেনাদা ফ্রৈবর্গকা লম্বা তৌনখি। মেটচকী ৭শুবা মিনটতা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা টিম অসিগী ষ্ট্রাইকর পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা মহাক্কী টিমমেট থোমাস ম্যুলরনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবনি।

ফ্রৈবর্গকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা অহানবা হাফকী লেমহৌবা মতম অদুদা ইক্বেলাইজর ফংননবা হোৎনরকখিবা অদু কান্নবা ফংদনা পাঞ্জল অমা শোৎখরগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৭ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ফ্রৈবর্গকী মায়কৈদগী নিকোলাস হোফলরনা পীরকপা বোলদা নিলস পেটরসননা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু অমুক নৌহৈননা হিংগৎলকখি।

বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা তাঞ্জা অমা ফংখিবদা লিরোই সেননা ইন্থোরকখিবা বোল অদু থোমাস ম্যুলরনা শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা চন্দুনা ফ্রৈবর্গপু ২-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মিনট ২০ ফাদ্রবা মতম অদুদা ফ্রৈবর্গ ফনা কন্না হোৎনরবসু ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা বেয়র্ন ম্যুনিকনা ২-১দা থোইদুনা বুন্দেসলিগাগী পোইন্ট টেবলদা পূন্না মেটচ ১৬ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৩৬ ফংদুনা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা রাসেনবোলস্পোর্টতগী পোইন্ট ৪ হেল্লগা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই, রাসেনবোল-স্পোর্টনা ঙরাং শান্নখিবা মখোয়গী ১৬শুবা রাউন্দগী মেটচতা ৱোলসবর্গকা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবদগী শুপ্নগী পোইন্ট ১খক ফংহৌরগা পূন্না পোইন্ট ৩২ ফংহৌরগা লীগ টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী নোর্দি মুকিএলনা ৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু অহানবা হাফ অদুদা ৱোলসবর্গকী মায়কৈদগী ৱোট ৱেগহোর্ষ্টনা ২২শুবা মিনটতা অদুগা রেনাটো ষ্টেফেননা ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। রাসেনবোলস্পোর্টকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু টিম অদুগী ৱিল ওর্বাননা ৫৪শুবা মিনটতা চনখিবনি।

## পেরিস সেন্ট জর্মেন মায় পাকখ্রে, লিলসু থোইবা ঙমখ্রে

পেরিস, জন্যুৱারী ১৭(এজেন্সী): ফ্রান্সকী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচশিংদা মমাংগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেন অমদি লিল ফুটবোল ক্লবসু মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিং মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

পেরিস সেন্ট জর্মেননা এঞ্জর্স এফ সীগা রেমোন কোপা ষ্টেদিয়মদা টিম অনীমক্কী ২০শুবা মেটচশিং লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ লম্বা মান্নবা শান্নরকপদগী পাঞ্জল চন্নবগী খূদোংচাবা ফংখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ২০ লোম হৌজিল্লবা ফাওবদসু নাকল অনীদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা অদুম্মক লৈখি। মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা লেভিন কুর্জাৱানা পাঞ্জল ১ চন্দুনা এঞ্জর্সপু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। ফনা কন্না হোৎনখিবা এঞ্জর্স কান্নবা ফংদনা শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিনখি। মায় পাক্লবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ২০ শান্নবদা ৪২ ফংদুনা লিলগা পোইন্ট মান্নদুনা লৈরি। অদুবু গোল দিফরেন্সতা মখোয়না হেনবদগী লিলদগী মখোয়না মাঙজিল থারিবনি।

ঙসি অথেংবদা লিওননা মেটজকা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুদা করিগুম্বা লিওননা মায় পাক্লবদি হান্না পোইন্ট ৪০ ফংদুনা লৈবা মরম্না অহুম হাপচিল্লগা ৪৩ ফংদুনা পেরিস সেন্ট জর্মেনদগী নম্বর ৱানগী পোজিসন অদু মুনবা ঙমগদৌরিবনি।

পেরি মোরোই ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ২০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিলনা রৈমসপু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা মখোয়সু পোইন্ট ৪২ ফংখিবনি। মেটচ অদুগী অহৌবা পুংখায় অমগী মতম টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা রৈমসকী মায়কৈদগী কোনাননা পীরকপা বোলদা অর্বর জেনিলিনা পাঞ্জল চন্দুনা লিলবু অহানবা হাফ অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী ২শুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা লিলগী মায়কৈদগী জোনাথন বম্বানা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু অমুক মান্নবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। মিনট ৪০ রোম নাকল অনীমক্তগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অদুবু শান্নবগী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা লিলগী মায়কৈদগী জোনাথন দেবিদনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা ২-১দা মখোয়না রৈমসপু থোইরগা লীগ ৱানগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ২০ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪২ ফংলি।

## লেষ্টর সিটি মায় পাকখ্রে, লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ দ্রো চংখ্রে

লন্দন, জন্যুৱারী ১৭(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লেষ্টর সিটিনা সাউথমটনবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা লিভরপুলগা দ্রো চৎপদগী টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

লেষ্টর সিটিগী হোম গ্রাউন্দ কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা মখোয়না সাউথমটনবু য়ূম্বু ওইরগা শান্নখি। লেষ্টর সিটি মমাংগী মেটচ ১৭ শান্নবদা পোইন্ট ৩২ ফংদুনা লৈরম্বনি। সাউথমটনবু মখোয়না পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট ৩৫ ফংবগা লোয়ননা প্রেমিয়র লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল লেষ্টরগী জেমস মেদিসননা য়ুরি টিলমান্সনা পীরকপা বোলদা ৩৭শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। সাউথমটনগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবা অমদি অনীশুবা হাফকী শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। মেটচকী ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী য়ুরি টিলমান্সনা পীরকপা বোলদা হার্বি বার্নসনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং লিভরপুলনা ঙসি শান্নখিবা ১৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখি। হান্না মেটচ ১৭তা পোইন্ট ৩৬ ফংদুনা লৈরম্বা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পোইন্ট ৩৭ ফংলগা মখা তানা অদুম্মক টেবলগী মকোক্তা লৈরি। অমরোমদা লিভরপুল পোইন্ট ৩৩ ফংলম্বদগী ৩৪ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙসি অতোপ্পা ১৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা শেফিল্ড য়ুনাইটেদপু ৩-১দা থোইখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা টোটেনহামগী মায়কৈদগী সর্জে ওরিয়রনা মহাক্কী টিমমেট হিয়ুং মিন সোনদগী ফংবা বোলনা চনখিবনি। মেটচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু অহানবা হাফকী ৪০শুবা মিনটতা হোর্সবর্গনা পীরকপা বোলদা হেরিকেননা চনবা ঙমখি।

শেফিল্ড য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফকী মিনট ১৯ চঙশিল্লকপদা জোন ফ্লেগনা পীরকপা বোলদা দি মেকগোলরিদনা চন্দুনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মিনট ৩গী মনুংদা টোটোনহামগী মায়কৈদগী টানগে দোম্বেলেনা টিমমেট ষ্টিভেন বর্জুইননা পীরকপা বোলদা ৬২শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-১দা থোইখি।

## এস এস সী নাপোলিনা ফ্যুরেন্টিনাবু পাঞ্জল ৬-০দা থোইখ্রে

রোম, জন্যুৱারী ১৭(এজেন্সী): দিএগো অর্মান্দো মরাদোনা ষ্টেদিয়ম হায়না নৌনা মিংথোনখ্রবা এস এস সী নাপোলিগী হোম গ্রাউন্দদা সেরি এগী ১৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ূম্বু ওইখিবা নাপোলি অমসুং ফ্যুরেন্টিনা শান্নবদা য়াম্না চাওনা নাপোলিনা ৬-০দা থোইদুনা অপূনবা পোইন্ট ৩৪ ফংখিবগা লোয়ননা সেরি এগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

অহানবা হাফতা নাপোলিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৫ শুবা মিনটতা নাপোলিগী এন্দ্রি পেটেগনানা পীরকপা বোলদা লোরেঞ্জো ইনসিগনেনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। পুংখায় অমা হৌজিল্লবা মতম শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা এন্দ্রি পেটেগনানা অমুক্কা হন্না পাস তৌখিবা বোল অমদা টিমমেট দিএগো দেমেনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ফ্যুরেন্টিনাবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী ৩৮শুবা মিনটতা এটেক তৌশিনবগী চাং য়াম্না হেনখিবা এস এস সী নাপোলিগী মায়কৈদগী লোরেঞ্জো ইনসিগনেনা পীখিবা বোল অমদা হর্বিং লোজানোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ্তা নাপোলিগী মায়কৈদগী পিওটর জৈলিনস্কিনা নাপোলিগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

ফ্যুরেন্টিনাগী শান্নরোয়শিং খূৎ হনবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈখিদে। এস এস সী নাপোলিগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী এটেকশিং অদু মরক্তা থদৎতুনা কাউন্টর এটেক কয়া তৌশিল্লকখি। মদুগী তাঞ্জা অমদা নাপোলিগী শান্নরোয় অমা ফ্যুরেন্টিনাগী দিফেন্দরনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু নাপোলিগী ইহান হানবা পাঞ্জল চনখিবা লোরেঞ্জো ইনজিগনেনা পাঞ্জল ওন্থোক্লনা ৫-০দা মখা তানা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল চনবা লোইরবোই নীংলুবা অদু শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা এস এস সী নাপোলিগী মাটিও পোলিটানোনা টিম অদুগী ৬শুবা পাঞ্জল অদু চনশিল্লগা ফ্যুরেন্টিনাবু মখোয়না ৬-০দা থোইবা ঙমখি। হান্না নাপোলি মেটচ ১৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩১ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মায় পাকখিবা অদুনা পোইন্ট ৩৪ শুদুনা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

সেরি এগী ওইনা এ সী মিলাননা মেটচ ১৭ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৪০ ফংলগা টিম ২০না লম্বা তৌরিবা কম্পিটিসন অসিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ৩৭ ফংদুনা ইন্টরনা ২শুবদা লৈরি।


## SMART TUTORIAL CENTRE

**ADMISSION OPEN**

**Revision Course 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Foundation 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)


**Commences on 10th & 20th January 2021**

- Special fee concession for former student
- Regular mock test with analysis
- Well structured study material
- Separate hostel for boys & girls

*For details please visit* **Smart Tutorial Centre**
**Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860**

HL-P/8361/28/12-26/01


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 9**

**GM Nakamura, Hikaru (2736) - GM So, Wesley (2770)**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.Bb5+ Nd7 |
| 4.Ba4 Ngf6 | 5.O-O e6 | 6.Re1 a6 |
| 7.c4 Be7 | 8.d4 cxd4 | 9.Nxd4 O-O |
| 10.Nc3 Ne5 | 11.Qe2 Qc7 | 12.Bb3 Bd7 |
| 13.f4 Nc6 | 14.Be3 Rac8 | 15.Nxc6 Bxc6 |
| 16.Bf2 Rfe8 | 17.Rad1 Qa5 | 18.Bc2 b5 |
| 19.e5 dxe5 | 20.fxe5 Nd7 | 21.Rxd7 Bxd7 |
| 22.Qd3 g6 | 23.Qxd7 Bb4 | 24.Ne4 Bxe1 |
| 25.Nf6+ Kg7 | 26.Nxe8+ Rxe8 | 27.Qxe8 Qd2 |
| 28.Bc5... | | |

**QUESTION :**
**Black wins in 4 moves**

[**Puzzle 8 Ans. : 17**...g6 **18.**Nxe6 Qxh5 **19.**Ng7+ Kd8 **20.**Re8#]